১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭

# নেরোকা এফ সীনা নাকো অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ৱাই পি ঐচ য়ু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ : খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্টনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা নেরোকা এফ সীনা নাকোবু অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২ না শরুক য়ারগা চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭কী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবদগী নাকো নম্বুল মপাল অমসুং নেরোকা এফ সী শঙাকফম শান্নখি। মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। মেচকী অহানবা মিনিটতা নেরোকা এফ সীগী ফোরেন প্লেয়র জর্সি নম্বর ১১ ফেলিক্স ওদিলি চিদিনা গোল অমা চনখি। গোল অদুনা মেচ অদু হেক হৌবগীঅহানবা মিনিটতগী নেরোকা এফ সীনা মাঙজিল থারগা চৎখি।

গোল অদু হন্দোক্লনবা নাকোগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। অদুবু নেরোকা এফ সীনা মেচ অদু তপ্পা লাকশিল্লগা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২৭শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১২ এস সুভাসনা গোল অমগা চনখি। মসিগী মতুং অহানবা হাফকী লোইরমদাই মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা ফিলিক্স ওদিলি চিদিনা গোল অমগা চনখিবদগী মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি মেচকী ৪৫ প্লস টু চৎপা মিনিটতা নেরোকা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৪ ৱাই গোপিনা গোল অমগা চনখি। গোপিনা চনখিবা গোল অদুগা থারগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নেরোকা এফ সীনা গোল ৪-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা নাকোগী মায়কৈদগী গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনখি। অদুবু নেরোকা এফ সীনা য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌরগা শান্নখি। অনীশুবা হাফকী ৫৮শুবা মিনিটতা এস সুভাসনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। গোল অদুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ৫-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল ৫ মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু নেরোকা এফ সীনা মখা তানা এটেক চথরকখি। মেচকী ৮০শুবা মিনিটতা ৱাই গোপিনা গোল অমগা চনখি। ৱাই গোপিনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ৬-০ দা মাঙজিল থাখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা নাকো নম্বুল মপান্না গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা গোল ৬-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্লুং মখোং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। ফোরেন প্লেয়র অনীনা চনখিবা গোলশিংনা মেচ অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মায় পাকহনখি। মেচ অদু হেক হৌবগী ৫শুবা মিনিটতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ১৪ ইজিওগু চিনেদু ইমান্যুএলনা গোল অমা চনখি। গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক ৱাই পি ঐচ য়ুগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনখি। মেচকী অঙনবা শরুক্তা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎহনখ্রবা মতুংদা ইজিওগু চিনেদু ইমান্যুএলনা মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাহনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা ৱাই পি ঐচ য়ুনা গোলশিং অদু হন্দোক্লনবা কন্না হোৎনরকখি। অহানবা হাফতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মাঙজিল থারগা চৎখিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা ৱাই পি ঐচ য়ুগী শান্নরোয়শিংনা এটেক কয়া চথুখি। অদুবু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা নিংথিজনা দেফেন্দ তৌরগা শান্নখি। মেচকী ৬৯শুবা মিনিটতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ৭ ওলারিচে প্রিন্সৱিল ইমিকানা গোল অমা চনখি। অহানবা হাফতা মাঙজিল থারগা লাকখিবা গোলশিং হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈদা অনীশুবা হাফতসু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদতগী গোল অমা চনশিল্লকখিবা অদুদা ৱাই পি ঐচ য়ুগী শান্নরোয়শিং তৌফম খঙখিদে। গোল ৩ মাঙজিল থাখ্রে হায়বগী নাচুংবা তৌদনা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা ৱাই পি ঐচ য়ুগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবা চোকথবা নাইদনা হোৎনখি। অদুবু গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা ৱাই পি ঐচ য়ু মায়থীহৌখি। মেচ অদু শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা গোল ৩-০ দা মায় পাকখি।

**সেপ্তেম্বর ১৪দা শান্নগদবা মেচশিং**

নুংথিল পুং ১২.১৫
কে এল এ এস এ (ক্লাসা)
কৈনৌ
VS
টি আর এ য়ু (ত্রাও)
ক্বাকৈথেল

নুংথিল পুং ৩
মুভানলাই
কাংপোকপী
VS
এস এস য়ু
শিংজমৈ

ঙাঙ্খম বোবোয় মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# এম ঐচ জি এ য়ুনা গোল ১-০ দা মায় পাকখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা খেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা চথরিবা ঙাঙ্খম বোবোয় মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম ঐচ জি এ য়ু হাট্টানা গোল ১-০ দা মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৬না শরুক য়ারগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তাবদগী এস এস সী সেক্তা অমসুং এম ঐচ জি এ য়ু হাট্টা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা য়াম্না ফজনা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লখিদে। টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক এটেক কয়া চথুনখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখিবা অদু মেচকী ৫৪শুবা মিনিটতা এম ঐচ জি এ য়ুগী জর্সি নম্বর ৯ ও শান্তনা গোল অমা চনখি। শান্তনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এম ঐচ জি এ য়ুনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্লবা এস এস সীনা কন্না হোৎনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস এস সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এম ঐচ জি এ য়ুনা এস এস সীবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা সী এস চনুং অমসুং আই ৱাই দি ও নিংথৌ মনাই শান্নগনি হায়রি।

অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# কে এস ৱাই সীনা কে ৱাই সী অমসুং এস ৱাই পি এনা ৱাই য়ু সী মায়থীবা পীখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা লোইতাং খুনৌ স্পিনিং মিলগী গ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংনা কে ৱাই সী খুরখুল নোর্থ অমসুং এস ৱাই পি এ অৱাং সেকমাইনা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাও মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.২৫ তাবদগী এস ৱাই পি এ অৱাং সেকমাই অমসুং ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাও শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্লদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। মেচকী ৭০শুবা মিনিটতা এস ৱাই পি এগী জর্সি নম্বর ১২ রোকিসন্না গোল অমা চনখি। গোল অদু ৱাই য়ু সীনা মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু এস ৱাই পি এনা গোল ১-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী কে এস ৱাই সী হিয়াংথাং অমসুং কে ৱাই সী খুরখুল নোর্থ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২৪শুবা মিনিটতা কে এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১৬ রেগান্না গোল অমা চনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৩১শুবা মিনিটতা কে এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ টেলিসন্না গোল অমগা চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এস ৱাই সীনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৫৭শুবা মিনিটতা টেলিসন্না গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু কে এস ৱাই সীনা গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৬৯শুবা মিনিটতা কে এস ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ২২ অবুংনা গোল অমগা চনখি। গোলশিং অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরবসু মেচকী ৭০শুবা মিনিটতা কে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ রোবার্টনা গোল অমখক হন্দোকখিবা নত্তনা অতৈ গোলশিংদি মেচ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে। অতোপ্পা গোলশিং হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদুদা কে ৱাই সী মায়থীহৌখি। কে এস ৱাই সীনা মেচ অদু গোল ৪-১ দা মায় পাকখি।

৪শুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# এ কে এস এ ক্বাক্তানা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রান্দদা চথরিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী চেম্পিয়ন এ কে এস এ ক্বাক্তানা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ ফোরগী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেচতা মায় পাক্লবা মতুং এ কে এস এনা পূন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ ফোরগী পোইন্ট টেল্লি মতুং ইন্না অমোফা মোইরাংনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন, ঙসিগী মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা য়ু কে সী সী এলনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা ৩শুবা পোজিসন অমসুং টি ৱাই দি এ তৌবুলনা পোইন্ট ১খক ফংদুনা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

টোপ ফোরগী অরোইবা অমসুং ৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী এ কে এস এ ক্বাক্তা অমসুং য়ু কে সী সী এল ওইনাম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা গোল ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবগীদমক মেচ অসি মায় পাক্তবা য়াদবগী ফীভম লাক্করকপনা টিম অনীমক্না অনীশুবা হাফতদি অকন-অকনবা এটেক চথুনরকখি। মেচকী ৬১শুবা মিনিটতা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ১১ খুপনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিমনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি।

গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। অদুবু এ কে এস এনা গোল অদু হন্দোকহন্দনবগীদমক য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌরগা শান্নখি। মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৭০ প্লস ফোর চৎপা মিনিটতা এ কে এস এগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি সমির খান্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। খুপ অমসুং এম দি সমির খান্না চনখিবা গোল অনী অদুনা মেচ অদু মায় পাকহনখিবদগী লীগ অসিগী চেম্পিয়ন এ কে এস এ ক্বাক্তানা ওইবখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা মনিদকোগী একজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র কেমেশ্বর অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরগী ইন চার্জ কে বিরেন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টিম অমদি মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা ত্রোফি অমদি মনাশিং দাইজ মেম্বরশিংনা খুৎশিন্নখি।

**POINT TALLY (TOP FOUR)**

| Team | M | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| AKSA (KWAKTA) | 3 | 2 | 1 | X | 6 | 1 | 5 | 7 |
| AMOFA (MOIRANG | 3 | 1 | 2 | X | 7 | 2 | 5 | 5 |
| UKCCL (OINAM) | 3 | 1 | X | 2 | 1 | 5 | -4 | 3 |
| TYDA (TOUBUL) | 3 | X | 1 | 2 | 1 | 1 | 0 | 1 |

## চেম্পিয়নশিপ য়াওবদা অথিংবা থমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): গুৱাহাটিদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসিএলশিং অদুগী মথক্তা অথিংবা থমখ্রে। আর্মরেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা গুৱাহাটিগী ভুগেশ্বর পুস্কানি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবা প্লেয়রশিং অমদি ওফিসিএলশিং মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসন অমদি ইন্দিয়ন আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসন্না শিনবা ষ্টেট অমদি নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াবদা অথিংবা থল্লে হায়না মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ নবচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ঈংলেম্বনা গোল্ড অমসুং শিলভর লৌখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): থাইলেন্দগী বেঙ্কোক্তা চথরিবা থাইলেন্দ ওপন ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭কী অন্দর-১২দা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মণিপুরদগী এলাংবম ঈংলেম্বা মীতৈনা গোল্ড মেদল অমা অমসুং শিলভর মেদল অমা লৌখ্রে।

থাইলেন্দ ওপন ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭কী চহী ১২গী ইপি ইভেন্টতা এলাংবম ঈংলেম্বনা গোল্ড মেদল লৌখি। কেটাগোরি অসিগী ফাইনেল মেচতা এলাংবম ঈংলেম্বা মীতৈনা শিঙ্গাপুর মচা অমবু মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড লৌখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অন্দর-১৪গী কেটাগোরিদা মহাক্না ফাইনেলদা মায়থীদুনা শিলভর মেদল লৌখিবনি। ঈংলেম্বা মীতৈ এলাংবম লৈকায়দগী এলাংবম রোহেন মীতৈ অমসুং এলাংবম ইলিজা লৈমগী মচানুপানি।

মহাক আর্মি বোইজ পুনে মহারাষ্ট্রদা থাংজম বঙ্কিম সিংহগী মখাদা ত্রেনিং তৌরি। ঈংলেম্বা মীতৈ পীক্লি ঙৈদগী মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী কোচ ওইরিবা লৈরিবা দল্লিয়ু ভোলেশ্বরগী মখাদা ফেন্সিং শান্নবা হৌরকখিবনি।

## অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ: মহৈরোয় লিশীং ৫/৫ মেচ য়েংহনগদৌরি

কোলকটা, সেপ্টেম্বর ১৩ : লাক্লিবা ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী কোলকটাদা শান্নগদবা মেচশিংদা ষ্টেট অসিগী মহৈরোয় লিশীং ৫/৫ দা লেম্না টিকেট পীদুনা য়েংহনগদৌরি। মেচ অমদা মহৈরোয় লিশীং ৫/৫ টিকেট পীরগনি হায়বসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর পরথা চেট্টরজিনা কনফার্ম তৌখ্রে। কোলকটাদা শান্নগদবা মেচ ১০ অসিদা মেচ খুদিংমক্কী ওইনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয় লিশীং ৫/৫ য়েংহন্নগদৌরিবনি। মখোয়গী মথৌ তাবা টেকেটশিং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লেম্না পীগদৌরি। কোলকটানা গ্রুপ এফকী মেচ ৫, গ্রুপ ঈগী মেচ অমা, প্রী ক্বার্টর, ক্বার্টর অমসুং থার্দ প্লেসকী মেচশিং হোষ্ট ওইগদৌরিবনি হায়রি।

# ৯শুবা এসিয়ন এজ গ্রুপ এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ্তা এন ৱিলসন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌরে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ : উজবেকিস্তানগী টাসকেন্দা চথরিবা ৯শুবা এসিয়ন এজ গ্রুপ এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা মণিপুরদগী এন ৱিলসন্না ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌরে।

কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লব (কে এস সী) গী জেনরেল সেক্রেটরি কে নোবো শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, উজবেকিস্তানগী টাসকেন্দা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা চথরিবা ৯শুবা এসিয়ন এজ গ্রুপ এক্বাটিক চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইনিদয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা মণিপুরদগী হৌজিক্লা আর্মি স্পোর্টস ইনষ্টিট্যুটতা ত্রেন তৌদুনা লৈরিবা এন ৱিলসন্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী হায় বোর্দ প্লেটফোর্মদা ৩০৫.৫ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। অদুগা মিটর অমগী স্প্রিং বোর্দতনা ৪শুবা পোজিসন অমসুং মিটর ৩গী স্প্রিং বোর্দতনা ৫শুবা পোজিসন তারকখি।

এন ৱিলসন কোংবা নান্দৈবম লৈকায়দগী এন ভোরোট অমসুং এন ওংবী অনিতাগী মচানুপানি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্লবা এন ৱিলসন অমসুং মহাক্কী কোচ ওইরিবা তাওথোং খুনৌ লমশাংদগী মিলেম কুঞ্জকিশ্বর মীতৈবু কোংবা ষ্টুদেন্টস ক্লবকী মায়কৈদগী হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭

# ৱাই ভি ও হুইকপনা টি ৱাই দল্লিয়ু ও তখেল মায়থীবা পীখ্রে



বিষ্ণুপুর, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা খেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা চথরকখিবা নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই ভি ও হুইকপনা টি ৱাই দল্লিয়ু ও তখেলবু মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৪না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্লগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.২০ তাবদগী টি ৱাই দল্লিয়ু ও তখেল অমসুং ৱাই ভি ও হুইকপ শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৮শুবা মিনিটতা ৱাই ভি ওগী জর্সি নম্বর ১১ কে পিমন্তনা গোল অমা চনখি। গোল অদুনা মেচ অদু ৱাই ভি ওনা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু টি ৱাই দল্লিয়ু ওনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা টি ৱাই দল্লিয়ু ওনা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক্তা টি ৱাই দল্লিয়ু ওগী এল লানঙম্বনা মেচকী ৪০শুবা মনিটতা ওন গোল অমা চনখিবদগী মেচ অদু ৱাই ভি ওনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। হেক থংনবা নুমিৎ মেচকী ৪১শুবা মিনিটতা ৱাই ভি ওগী জর্সি নম্বর ১৪ এম দি মুস্টোফানা গোল অমগা চনশিনখি। টি ৱাই দল্লিয়ু ওগী মায়কৈদগীসু গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হনবা লৈতনা হোৎনরকখি। মেচকী ৫৪শুবা মিনিটতা কে প্রেমকান্তনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু ৱাই ভি ওনা গোল ৪-০ দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টি ৱাই দল্লিয়ু ওনা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু ৱাই ভি ওনা গোল ৪-০ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা ৱাই ও ভি এ ক্ষেত্রিগাও অমসুং কে ঐচ ভি আই দি সী লাইফম খুনৌ শান্নগনি হায়রি।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com